# হ্যুমেন ওর্গান ফেলর, ওর্গান ত্রান্সপ্লান্টেসন অমসুং ওর্গান দোনেসনগী মরু ওইবা খঙমিন্নসি ঐখোয়

– ডা. সোরাম মনিকান্ত –
সিনিয়র কন্সলটেন্ট সাইকিয়াত্রিষ্ট
dr.smanikanta@gmail.com



২০শুবা শতাব্দীদা খ্বাইদগী খুমাঙ চাওশিনবা মেদিকেল সাইন্সকী হীরম অমা পনবা তারবদি হ্যুমেন ওর্গান ত্রান্সপ্লান্টেসন অসিসু অমনি। মীওইবগী পূন্সিদা থেংনরিবা লায়না লায়ওং মখল য়াম্মী। মতম মতমগী ওইবা লায়না লাইচৎ কয়ানা মীওইবগী পূন্সি মহিংদা তেমশিংনরি অমসুং মীওইবগী পূন্সি কয়া লমখাংদা পিখম্লরি। মীওইবগী খুন্নাইনা লৈরকঙৈদগী থেংনরিবা অচৌবা লায়না লাইচৎ খরদি Cholera, Malaria, Tuberculosis, Typhus, Smallpox, Plague, HIV/AIDS, Covid-19, Influenza, Spanish Fly পনবা য়াই। মেদিকেল সাইন্সনা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না মহিক শিহনবা ঙম্বা এন্টিবাইওটিক হীদাক কয়া পুথোরকপা, লায়নাদগী ঙাকথোক্নবা ভেক্সিনেসন হায়বদি লায়না অমা নাদ্রিঙৈদা নারক্তনবা টিকা থাদোকপা, যূম্লে কৈরে অমদি অকোয়বগী ফীভম ফগৎলকপা, লায়েংবগী খুদোংচাবা হেনগৎলকপা কয়া অসিনা লৌনগনবা লায়না কম্যুনিকেবল দিজিজ কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্লে। অদুবু ঙসিসু মখল মখা কয়াগী নন কম্যুনিকেবল দিজিজনা মরম ওইদুনা প্রিমেচ্যুওর দেথ কয়া মায়োক্নরি। মরু ওইবা লায়না খরদি হার্ট দিজিজ, কেন্সর, দাইবেটিস, হায়পরটেন্সন, ওটোইম্যুন দিজিজ পনবা য়াই। লন্বীগী, ত্রাফিক এক্সিদেন্টনা মরম ওইদুনা চহীদা মীওই ১.৩৫ মিলিয়ন পূন্সি লোল্লি। মসিনসু লোইবা নৎত্রি। ঐখোয়গী হোংলক্লিবা পূন্সি মহিং, Sedentary life style, চাবা-তূন্বা মতম নাইদবা, অফবা চীঞ্জাক চাবা ৱাৎপা, ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবা, ফ্রেশ ওইবা মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ চাবা ফংদবা, মতম কুইনা লীদুনা থন্বা ফুদ ষ্টফ কয়া লিশাং শীৎনা শীজিন্নরকপনা মমৈথংদা হকচাংগী মরু ওইবা ওর্গান কয়া শোকহল্লি অমসুং মথৌ ফজনা তৌবা ঙম্লক্তে। ওর্গান ফেললরগী লাইওং কয়া নাবগী চাং হেনগৎলকই। খুদম ওইনা কিদনি ফেলর, লিভর ফেলর, হার্ট ফেলর। অসিগুম্বা মখলগী লায়না লাইওং অসিদি ওর্গান ত্রান্সপ্লান্ট তৌবা নত্তনা অতৈ লায়েং অমা লৈতে।

অসিগুম্বা ওর্গান ফেলর ওইরবা মতমদা ওর্গান অদু শিন্দোক্নবা মদুগী মহুৎ অমা পীবা ঙম্বা ওর্গান দোনর মতিক চানা লৈরব্রা? ওর্গান দোনেসন তৌগদবা মীগী মশীং য়ামদবনা মীওই কয়াগী পূন্সি খাঙুথক্তা মাঙলি। য়াম্না তোয়না তৌবা ত্রান্সপ্লান্টেসন খরদি কিদনি, হার্ট, লিভর, পেনক্রিজ, ইন্টেষ্টাইন, লঙ, বোন, বোনমেরো, স্কিন, কোর্নিয়া পনবা য়াই। কুমজা ২০১৫গী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মীওই ১.৭৫ লাখ কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন মথৌ তাবদা কিদনি দোনর ফংদবদগী মীওই ৫০০০ খক ত্রান্সপ্লান্ট তৌবা ঙমখি। মীওই ৫০,০০০ লিভর ত্রান্সপ্লান্টেসন মথৌ তাবদা মীওই ১০০০ খক লিভর ত্রান্সপ্লান্ট তৌখি। হার্ট অমসুং লঙ ত্রান্সপ্লান্ট তৌবা মথৌ তাবদা দোনর ফংদবনা মরম ওইদুনা ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌদবা কয়ানি। মিৎ নহাগী অকোয়বদা লৈরিবা কুরাংবান কোর্নিয়া ত্রান্সপ্লান্ট তৌবগী চাং অসিসু য়াম্না নেম্লি। মীওই ২৫,০০০ ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌবা মথৌ তাবদা মীওই অমগী চাংদা ত্রান্সপ্লান্ট তৌবা ঙম্লি। মসি অতৈ লৈবাকশিংগা চাংদম্নবদা য়াম্না নেম্লি। শম্না হায়রবদা চাদা ০.০৮গী চাংদা ওর্গান দোনেসন তৌবা থেংনৈ। মরম অসিনা চহীদা মীওই ০.৫ মিলিয়ন শিরি। অসুম্না মীওই কয়া অমা ওর্গান ফেলরনা মরম ওইদুনা ওর্গান ত্রান্সপ্লান্টেসনগী মথৌ তারকপা অদুগা ওর্গান দোনেসনগী চাং য়াম্না নেম্বা মরম্না মসিগী খুদোংচাবা লৌরগা অরোনবা কিদনি লল্লোনবা কাঙবু কয়া থোরক্তুনা মখল মখা কয়াগী ক্রাইম চথবগী থৌদোক কয়া ঐখোয়না থেংনখ্রে। ইন্দিয়াদা চাওরাক্লা মীওই লাখ ৩গী মথক্তা ওর্গান ত্রান্সপ্লান্টেসনগীদমক ঙাইদুনা লৈরি। মসিনা মরম ওইদুনা নোংমদা মীওই ২০গী চাংদা খাঙুথক্তা পূন্সি লোল্লি।

অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ঐখোয় খুদিংমক ওর্গান দোনেসন তৌনীংবগী ৱাখল অদু খন্থবগী মতম ওইদ্রিবরা। ওর্গান অমা দোনেট তৌবা মতমদা মীওই ৮দা কান্নবা ফংহনগনি। করিগীদমক ঐখোয় ওর্গান দোনেসন তৌবা মথৌ তারিবনো? ওর্গান দোনেসন তৌবা হায়বসি মীওই অমগী পূন্সি কন্নবা হোৎনবদা খ্বাইদগী চাউরবা খুদোংচাবা অমনি। মীওই কয়া ওর্গান ফেলরনা মরম ওইদুনা হিংবা অমসুং শিবা অনীগী লানফম মায়োক্নদুনা লৈরি। মখোয়গী মরাইবক ওর্গান দোনেসন তৌবা ঙম্বা মীওইশিংগী থৌজাল মখা পোন্না হিংলি। হৌজিক ঐখোয়না কিদনি নৎত্রগা লিভরগী পার্ট অমা দোনেট তৌবা মতমদা মরুপ অমগী নৎত্রগা ইমুং মনুংগী মীওই অমা নৎত্রগা অতোপ্পা মীওই অমা লিভর/কিদনি ফেলরনা পূন্সি লোমগদদগী কনবা ঙমগনি। ঐখোয়না কাউরোইদবদি মী অমগী থৱায় কনবা হায়বসিদগী হেন্না চাউবা অতোপ্পা থৌজাল অমা লৈত্রবনি।

ত্রান্সপ্লান্টেসন ওফ হ্যুমেন ওর্গান এন্দ টিস্যু এক্ট, ১৯৯৪গী মখাদা মীওই অমনা মশাদা য়াওরিবা ওর্গান অমা দোনেট তৌবা য়াই। এক্ট অসি চৎনখিবগী অচৌবা মরম অমদি মীওইবগী ওর্গান মরু ওইনা কিদনি আইন্না য়াদবা মওংদা অরোনবা করবার চথবা অমসুং মসিমক মরী লৈনবা ক্রাইম থিংনবা হোৎনবা অমসুং শিরবা হায়বদি শিবা মতমদা ওর্গান দোনেসন তৌবা হেনগৎনবা পান্দমদা শেমখিবা এক্ট অমনি। ওর্গান দোনেসন মখল অনী থোক্লা খাইদোকপা য়াই। লিভিং দোনর হিংলিঙৈ মতমদা ওর্গান দোনেসন তৌবা অমসুং deceased doner হায়বদি শিরবা মতমদা ওর্গান কথোকপগী মওংনি। হিংলিঙৈদা দোনেট তৌবা য়াবা ওর্গান খরদি কিদনি অনীগী মনুংদা অমা, পেনক্রিজকী শরুক খরা, লিভরগী পার্ট অমা। মখোয়শিং অসি চহী ১৮গী মথক্তা লৈবা মীওই ওইগদবনি অমসুং নক্লবা ইমুং-মনুং, মরী মতাগী মীওইশিংদা দোনেট তৌবা ওইগদবনি। শিবা মতমদা মীওই অমনা ওর্গান ৬ ফাওবা দোনেট তৌবা য়াই। মখোয়শিং অদুদি কিদনি, লিবর, হার্ট, লঙ, পেনক্রিজ, ইন্টেষ্টাইন অসিনি। করম্বা মীওইবু ঐখোয়না শিরে হায়না লৌগদগে। মথক্কী এক্ট অসিগী মতুংইন্না ব্রেনষ্টেম দেথ লৈরবা মীওই অমবু শিরে হায়না লিগেল্লি লৌবা য়ারে। ব্রেনষ্টেন দেথ হায়বসি করিনো। ব্রেনষ্টেম হায়বসি ব্রেনগী পার্ট অমনি। মসিনা মথৌ তৌবা লেপ্পা অমসুং অমুক হন্না মথৌ পাঙথোকপা ঙম্লরোইদবা ষ্টেজ অদুবু খঙনৈ। মসি মেদিকেল এক্সপার্টকী বোর্দ অমনা দিক্লর তৌগদবনি। ব্রেনষ্টেমনা মথৌ তৌবা লেপখ্রবদি মীওই অদু অমুক হন্না কন্সিয়স ওইবা ঙম্লরোই অমসুং ভেন্টিলেটর হায়বদি লাইফ সপোর্ট য়াওদনা শ্বর হোনবা ঙম্লরোই। মরম অসিনা ব্রেনষ্টেমনা মথৌ তৌবা লেপখিবা মতমদা মীওই অদু শিরে হায়না লৌবা য়ারে। অসুনা লিগেল্লি শিরে হায়না লৌরবা মীওইশিং অসিনা ওর্গান দোনেট তৌবা য়াই। তৌবতবু ফেমিলিগী নক্লবা মীওই অমদগী কন্সেন্ট লৌবা চঙই। ব্রেনষ্টেম দেথ অমদগী পূন্না 37 organ donate তৌবা য়াই।

ওর্গান ফেলর হায়বসি ওর্গান অদুনা তৌগদবা মথৌ তৌবা ঙমদবা অমসুং হকচাংগী মথৌ তাবা পোৎলমশিং সপ্লাই তৌবা ঙম্লক্তবা ফীভম অদুবু ওর্গান ফেলর হায়না খঙনৈ। অসিগুম্বা ফীভম অসি য়ৌরক্লবা মতমদা লাইফ সপোর্ট নৎত্রগা ওর্গান ত্রান্সপ্লান্ট তৌবা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা পান্বৈ অমা লৈতে। মতাং অসিদনি ওর্গান দোনেসন মথৌ তারক্লিবসি। ওর্গান ত্রান্সপ্লান্টেসনগী লায়েং পথাপ অসি ওর্গান ফেলর মায়োক্নরিবা মীওইশিংগীদমক্তি miracle অমগুম্বনি। ওর্গান ফেলর থোকহনবা য়াবা নন কম্যুনিকেবল দিজিজ খরদি দাইবেটিস, হার্ট দিজিজ, ষ্ট্রোক, কেন্সর, ক্রোনিক লঙ দিজিজ পনবা য়াই। মসিগী মরু ওইবা রিস্ক ফেক্টর খরদি টোবেকো শীজিন্নবা, ফিজিকেল এক্টিভিটি ৱাৎপা, যু হেন্না থকপা, মচি ওইবা চীঞ্জাক চাবা ৱাৎপা অমসুং এয়র পোল্যুসন অসিনচিংবনি। মরম অসিনা ঐখোয়গী নোংমগী পূন্সি মহিংদা healthy lifestyle অমা লৈবা মথৌ তাই। তূন্বা-চাবা মতম নাইবা, ফিজিকেল এক্সর্সাইজ চাং নাইনা তৌবা, য়ামদ্রবদা নোংমদা পুঙ্খায় অমদি ফিজিকেল এক্সর্সাইজ তৌগদবনি। ফ্রেশ ওইবা মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ চাগনি। মতম কুইনা লীদুনা থন্বা ফুদ ষ্টফ শীজিন্নদবা ফৈ। থুম অমসুং চিনিগী শরুক হন্থবা, টোবেকো অমদি যু শীজিন্নদবা, ব্লদ প্রেসর অমসুং ব্লদ সুগর কন্ট্রোল তৌবা, নোয়বগী চাং হন্থহনবা অমসুং ষ্ট্রেস মেনেজ তৌবা হৈবা চঙই।

ওর্গান দোনেসন মশীং হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা এৱ্যের্নেস পীবা য়াম্নমক মরু ওইরে। ওর্গান ফেলর হায়বসি করিনো অমসুং ওর্গান ত্রান্সপ্লান্টেসনগী তঙাইফদবা কয়া অদু মীয়ামদা খঙহনবা মতম ওইরে। ওর্গান দোনর ফংদবদগী ওর্গান ত্রান্সপ্লান্টেসন মথৌ তাবা মীওই কয়ামরুম লমখাংদা পূন্সি লোল্লি। মসিগীদমক মীয়াম্বু এদ্যুকেট তৌবা, খঙহনবা মথৌ তাই। অহানবদা মেদিকেল প্রোফেসনদা লৈরবা মীওই খুদিংমক এৱ্যের্নেস পীবা, Living donor, deceased donor or tissue donation তৌবগী মশীং হেনগৎনবা হোৎনবা চঙই। অন্দরগ্রেজুএট অমসুং পোষ্টগ্রেজুএট মহৈরোয়শিংদা এৱ্যের্নেস পীবনা ওর্গান দোনেসনগী ঈহৌ শাগৎপদা মতেং পাংগনি। মথৌ তারবদি ফেমিলি কন্সেন্ট লৌনবা হোৎনবদা deceased person হায়বদি শিরবা মীওই অদুগী ইমুংগী মীওইশিংদা কাউন্সেল্লিং পীবা য়াম্নমক কান্নগনি। অসিদসু নত্তনা মেদিকেল এক্সপার্ট মশীং হেনগৎহনবা চঙই। ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবা তঙাইফদে।

মণিপুরদসু হ্যুমেন ওর্গান এন্দ টিস্যু ত্রান্সপ্লান্টেসনগী হীরমদা খোঙথাং অমদি লৈঙাক্লা লৌখৎপা লৈরে। মসি অফবা খোঙথাংনি। মণিপুরগী হেল্থ মিনিষ্টরনা কুমজা ২০২৩গী নবেম্বর ২৯দা মণিপুর ষ্টেট আই বেঙ্ক অমা হাংদোকখ্রে। মসি অৱাং নোংপোক লমদমদা অসাম, ত্রিপুরা, মিজোরামগী মথংদা মরিশুবা আই বেঙ্কনি। মসিনা কোর্নিয়া কলেক্ট তৌবা, ষ্টোরেজ তৌবা, টিস্যু ইভাল্যুএসন, দোনর এসেসমেন্ট তৌরবা মতুংদা ত্রেন তৌরবা cornea graft surgeon শিংদা য়েন্থোক্কনি অমসুং Cornea grafting হায়বদি কোর্নিয়া ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌবদা শীজিন্নগনি। মসিনা মীওই কয়া মিৎ উদবদগী কনবা ঙমগনি। ঐখোয় খুদিংমক ওর্গান দোনেট তৌবা ঙম্নবা শেম শারসি অমসুং মীওই কয়াগী পূন্সি কনবদা নত্তনা হিংবগী মহাও অমসু পীনবা হোৎনরসি। ●

# মীহাৎ থীনা হাৎপীখ্রবা হেক থংনবা মীৎকুপ্তা ইলেক্সন - নুংশিজরবা ইরৈচাশিং লোইরগনা করি লাক্কনি



– মুতুম শান্তি –
(শোত্থরবশিংদা কথোকচরি)

মীখল মতম ওইরক্লে। মীয়াম্বু নুংশিবা শারদুনা চিনবান্দা খোইহি তৈরদুনা পূক্লিংগী মরুমদনা হু ফুমদুনা মীয়াম্বু কোইথি থিবা হৌরক্লে নেসনল পার্টিগী মীরেপশিংনা। থৱায় শেগাইদুনা ঈ চূপখিবা নেসনল পার্টিনা ইমা লৈবাকপু কাং-খোং চাইহনখিবনি। মমাঙথক্তা পানখিবা লৈঙাকপশিংগী লমচৎ অমুক লৈমায়সিদা খোঙ্গুল তাহনখিগদ্রা? মীয়াম্না কাউরোইদবদি ইলেক্সন ময়া নকশিল্লক্লবা মতমদা মীয়াম্বু নুংশিবা, কাখ্রবা মতুংদনা মীয়াম্বু খোঙপাক্লা কাওরম্বা খক্তনি। মীয়াম্না য়াম্না থাজনা খনখিবা মীহুৎশিংনা লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরক্লবা তুংদা লাকখিবা মমি, মীৎয়েং করম্বা মওংদা লাকখি। মীয়াম্না খঙদুনা লৈরবা ৱাফম্নি, হঙ্গৎনা অমুক ইরুদ্রবসু য়ারবনি, নীংশিংজরো হায়বদুনি।

লৈঙাক অমা হায়বসি ইমুং অমা পানবগা চপ মান্নে। ইমুংগী অহলদগী মথং মথং লাকপনা অপীকপা অঙাং ফাওবা লৈমিন্নবা অদুবু ইমুং অমা হায়বদু ওইরি। মমাঙঙৈদগী ইমুংগী অহল লমনশিংবু মখা থাবশিংনা য়াম্না ইকায়খুম্নরম্মী। ইমুংগী থকসি-খাসি, ইকায়খুম্নবা ৱাৎলবা ইমুং মশীং য়ামখৎলক্লি। ৱাফমসি অরায়বা নত্তে। মসিদগী হৌরকফম ওইরক্লিবা অশোয়বা যূম্বাল, সোসাইটি, ফূরুপ খুন্নাই অসিবু কনবা ঙমখিগদ্রা হায়বসিনি। ঐখোয়না ঙসি হিংলিবা অসি অচৌবা ঈপাক অমদা জহাজ অমা তোংদুনা চৎলিবা খুন্নাই অমনি হায়না ৱাখল চিংশিল্লসি। জহাজদুদা ঐখোয় তূমদুনা চৎলি। ঐখোয়না পন্থুংফম য়ৌবা ঙমদনা জহাজগী ইঞ্জিন ফেল ওইরকপদগী পুল্লপ পূন্না লুপথখিদুনা মাঙখিবগী মমি অদুগুম্বগী ফীভমদা ময়েক শেংলক্লি।

লৈবাক্কী অরুবা 'এগ্রীমেন্ট', নোটিফিকেসন, ওর্দর অসিনচিংবা মখল কয়া মরুম লৈখ্রে। অসিগুম্বা ৱাফমসি লাকপা মতমদা লৈঙাক্কী রুল এন্দ রিগুলেসন হায়বদি চৎন-কাঙলোন কয়াবু লৈঙাকপশিংনা ইকায়খুম্নদে। মীয়াম্বু ভোট মমাঙদা মথৌ তারকপগুম, লৈবাক্কী থৌদোক কয়াদা মীয়াম্বু মথৌ তাখিগদ্রা? কোংগ্রেসনা কুকিগী 'সূ' অসি লৈবাকসিগী মপূ ওইরিবা মীয়ামদা করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লমদনা দেল্লীদা চৎলগা 'খূৎয়েক' তৌথোকখি। কুকিনা মীতৈদা অতম্ননা লান্দারক্লিবসিগী অহানবা মৈচম ওইরিবনি। অনীশুবা মৈচম্না কুকিশিংবু 'য়েলহৌমী' নি হায়খিবগী গেজেট নোটিফিকেসন অসিনি। ওর্দর অসি কুমজা ২০২২গী সেপ্টেম্বর ২৩দা থোকখি।

অসুক লুখ্রবা, মতিক ময়াই লৈরবা ওর্দরশিং অসিবু করম্না মীয়াম খঙহন্দনা থোক্লক্লিবনো হায়বসি মীয়ামগী মায়কৈ কয়াদগী থম্মোয় শোক্লা ৱাহংনরক্লি। নুংশিজরবা ইরৈচাশিং ৱাখল মুন্না খন্থবীয়ু। তৌনীংবতা তৌরিবা তুংদা করি লাক্কনি ৱাখল মপূং ফাদ্রবা লুচিংবশিং অমুক হন্না খোঙ্গুল তাহন্দবনা চুম্লোইদ্রা? অশম্বা ৱাখলদা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা ঐখোয়বু নুংশিবীদে। লমসি মখোয়না পান্বনি। মীতৈ ঐখোয়না লমদমসিদগী মরূ ফংনা মূত্থৎপা পাল্লি হায়বসি কাউথোকপা য়াদে। লানবুং ওইরিবা লমদমসিদা নখোয়গী নচা-নশু শিবা ঐখোয় খঙদে, ভোট তৌদবদি য়াদে হায়রি।

মতাংসিদা ইমা লৈবাক নুংশিবা মীওই খরা লুচিংবা ওইগে, লৈবাকসিবু কনগে হায়না চোঙথোকপীরক্লি। ঈরাং অসি য়েংলগা ইচা অথৌবা কয়া মঙক কক্তুনা হাৎখিবা কয়াবু পূক্লিংদা নুংশিনা কোনশিনবীরগা য়া-য়া লাংদনা মীয়ামগী অপাম্বদা পীরকপা মীখল অমা ওইহনবীয়ু। মমাঙঙৈগী মীখলগুম মীয়াম্বু পূক্লিং লাংহনবা, থমাইবীবা, টিভি চেনেলদা পংলাউ লাউবগী হৈনবী চাওখৎতবা অসিনা মীতৈ খুন্নাই কনবা ঙম্লোই। লোক সভাগী মীখল লুরবা তাঞ্জা অসিদা ভোটরশিংবু ঈয়াইদা চিংথদুনা ঈরাক্লবগী হান্নগী মতৌগুম তৌবীগনু। এম পিগী ইলেক্সনগী মতৌসি হান্নদগী লাক্লিবা মাঙদা তারিবা অসিনা হেন্না লাংবা ভোট ওইরি। মীয়াম্বু মীখল অসিদা ঈংনা চিক্লা ৱাখল লৈতানা মমল লৈনা ভোট থাদহনসি।

লাউ খোংদুনা ঐবু লৈকায় মৈরা পায়বীনা ওকপীয়ু, মীয়ামগী থৌগল তৌজগে হায়বসি থম্মোয় শেংবা লুচিংবগী লমচৎ নত্তে। চোংথোরক্লিবা লুচিংবা খুদিংমক মথক মখা ওন্থোক্তুনা কনানা করিনো খঞ্জগদবা মতমসিদা মীদিয়া চেনেলশিংদা পংঙাঙদা ঙাঙবসিনা মীয়ামদা তৌফম খঙদবা পূক্লিংদা চরাংনবা পোকহল্লি। য়াম্না পীকপা লমনি। থোরক্লিবা অশেংবা লুচিংবা মীয়াম্না খঙই। অহৈ-অশিং শাদুনা খুদোম্বী থিন্দুনা তাকপগী মতম নত্তে। লমদমসিগী অহৈ-অশিং শাবা য়ামখ্রে। ঙাঙবদি ঈশিং লিৎত্রে। তৌথোরকপদদি থুৎ লাউরি। লুচিংবা থম্মোয় শেংবা, শেংদবা, হুরানবা, চিন্থিবা, মীনম্বা ঙাঙবা, মীয়াম্বু মীথাক মীনম্লগা লৈবাক কাং খোং চাইহনবা পূম্নমক মীয়াম্না খঙই। মীদিয়া চেনেলদা থোরক্লিবা লুচিংবা ওইনীংলিবা কয়াসি কনাবু মীয়াম্না থাজগদৌরিবনো? পংঙাঙ ঙাঙলগা, লাউরগা মীয়াম্বু হুমদুনা পুবগী লন্বী লৈত্রবা মতমনি খঙউ।

অসুক য়াম্না মীরেপ ওইরক্কনি হায়বসি মীয়াম্না অঙকপা ওইরি। মদুদি চহী অমা ফাজিল্লক্লবা লানবুংসিদা নোংমতসু মরোল থোকখিদ্রবা জীবশিংনা মীখলদা শরুক য়ারক্লি। মীতৈ খুন্নাইবু মরূ ফংনা মূত্থৎনবা মীচম মীয়াম্বু মঙক ককথৎপীরবা ফাওবা ঐগী ইমুংদি কোংগ্রেসনি, বি জে পিনি হায়না লৈবনদি ইমা লৈবাক কঞ্জবা ঙম্লরোই। ইচাগী থবক ৱানোম্বগী শেল পীশিনখিবা কয়ানা ঐগী ইচা থবক ফংনবগী ৱাখলদা নেসনল পার্টিদা ভোট পীরবদি ইমা লৈবাক কঞ্জবা ঙমখিগদ্রা? হন্দক্কী লুরবা তানফমসি মীয়াম্না পূক্লিং চঙনা, লৈতানা মীরেপশিংগী মরক্তগী খনগদৌরিবা লুচিংবা অসি কনানো হায়বসিগী মতাংদা মীরেপ ওইরিবশিংনা মীদিয়াদা পুল্লাং লাংলিবসিবু মীয়াম ঐখোয়সি করি ওইনা উরবনো?

লেপ্লিবা পার্টিশিং অসি সেন্টরদা পূন্না লৈঙাক পুমিন্নরিবা কনানো হায়বসি মুন্না থিদোকসি। হৌখিবদা ঐখোয় মীয়াম্বু থমাইবিবা, পঙথহনবা খুদিংমক্তগী ঙাকথোকমিন্নসি ইরৈচাশিং। মীয়াম্না খঞ্জরুবা ৱাফম অমত্তং - হন্দক্কী ঈরাং মরকসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা ইলেক্সন অসি মৱা-মনিল নাইদনা থোরক্লিবা মীরেপশিংগী মরক্তগী অফবা অমা খঞ্জবগী অওনবা লাক্কনি খন্নখি। অদুবু ঐখোয়গী ৱাখল, তৌথোরকপা খুদিংমক চাওখত্তবা হৈনখিবা লূ-তোংদা য়াওখ্রবা মীদিয়াদা মীনম্বা ঙাঙলগা মীয়াম্বু পঙথহনবা, ঐখোয়বু ৱাখল থমায়বসি ঙসি ফাওবা থাদোক্তে।

নুংশিজরবা মীয়াম, চমজরবা থম্মোয়বু অমম্বা লন্বীদা চিংদুনা পুরিবসিনি। ঙসিদি ইচা কয়াবু থাঙনা মঙক কক্তনবা ৱাখল মুন্না খন্থবীয়ু। মীতৈ মীচমদা কুকিনা নোংমৈ কাপথরপসিদি মনুংদা অয়াবা, য়াদবা লৈরম্বা ঐখোয় পূম্নমক্লা উবা ফংলে। হায়বদি ইলেক্সন নকশিল্লক্লবদি নোংমৈ মখোল তাখিদ্রে। ঐখোয়না উরিবা দ্রামাসিবু মঙলা, তাইবঙলা। ওইরক্লিবা শক্তম অসিবু ভোট লোইরগনা করম থোক্লগবা? ময়াংগী মীখা পোন্না অসুম হিংবা তারব্রা? লমদমসিগী অমখক্তা ঙাইরবা এম পি পিবু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবনা ময়োল চোংখৎনবা হোৎনজখিবনি। শেম্বদা থোকখিদ্রবা পার্টিনি মীয়াম্না উবীরি। মপূগী চৈরাক ফংলবনি। হূইনা দোলাই তোংলগা থী অকংবা উবদা চোংথরকই হায়বদুনি। অশোয়বনা পীক থল্লবা লমদমনি। পূম্নমক অসি লাইরিক হৈতবগী খুন্নাই অমগী চৈথেং ফংলকপনি। লাইরিক হৈতবা হায়বসি মীৎ তাংবগা চপ মান্নে। মীৎ তাঙবনা লমজিংলিবা লৈঙাক্লি। মন্ত্রি দোলানস্নাগী ফিল্মগা চপ মান্নবা লৈঙাক্লি।

ৱাফম পূম্নমক খঙলবা ঐখোয় ঙসি করি খন্থবা তাই, করি তৌবা তারি। চরাংনরগা মীয়াম্বু উৎ চাইবা, চিনবান্দা খোইহি তৈবা, মীয়াম্বু তীল-কাঙগুম উরিবা, খল্লিবা পূম্নমক খঙলবনিনা পঙথবীগনু হায়না নীংশিংজরি। মীয়ামগীদমক্তা কথোকপতনা মশরুক ওইদুনা লাক্লবা মীওই অমখক্তং মীরেপশিংগী মরক্তা য়াওরি। মীয়াম্না মীৎ-না শিংনা থম্মোয়না খন্দোকপীয়ু। অচুম্বা, অফবনা তাইবঙ শেম্বা মপূগী তিঙ্খং তুম্নৌ লৈতবা লন্বীদা পুবীগদবনি। তিঙ্খং তুম্নৌনা থল্লবা মফমদা অমোৎপা, অমম্বা লন্বী কয়াদা পুশিনবীখিবা মীওই কয়া, পার্টি কয়ানি। ঐখোয়বু ইরোইবা হৈবা, হৈতবা অনীমক ঈয়াইদা পুথদুনা ঈরাক্লহনবা ঙম্বা মীওইশিংদা অমুক হন্না মীহুৎ ওইনা থাবা য়াদেকো ইরৈচাশিং।

অচুম্বা, অফবা মশক খঙদবা মীওই কয়া হৌখ্রে। করি তৌরম্মী মখোয়না হয়েংগীদমক। ষণনা উরোক থোং লানবগুম, নীংশিংলুবদা, হঙ্গৎনা য়েংলুবদা অঙকপনা পীক থল্লি। কনবা ঙম্লরোইদ্রা ইমা লৈবাকসিবু। লৈখা তানা মাঙলবা, পোক্লফম লমদম ইমাবু কনবীনবা কানবু য়াওরিবগে? চলাক হৈবা চিন্না অমা, খূৎনা অমা, তৌথোরকপনা অমা অসুক ফত্তবা মীওইশিংনা লৈবাক অসি মরূ ফংনা মূত্থৎনবা অকনবা শাফু পীরি। মশাগী খক্তা খনবনা মাঙ থারিবা মীওইশিং অমুক হন্না মীহুৎ থারবদি করম ওইরক্কনি মীয়ামসি। মীতোপ মীয়ানচাশিংগী মীনাই নাইথাং ওইদুনা ঐখোয় কয়াম কুইনা হিংখিসিগে?

ইমা লৈবাক কঞ্জনবা, য়েক্লবগা মায়োক্নখিবা খুল ঙাকপা ইচা কয়াগী থৱায় লাইরমলেন্দা য়ৌখিদ্রি হায়বদি চহী ফাদ্রি। মীতৈ পোকপী ইমাগী তম্পাকথক্তা লৈরি। অচুম-অরান, অফ-ফত্ত মীনম্বা পূম্নমকসি মমিৎ লাউথোক্তুনা য়েংলি উরি। তমথীরবা থৌদোক অসিবু হন্না য়েংখিদ্রবা, মথৌ মশক খঙদ্রবা লুচিংবশিং মখৌ পোংনা ঙাঙলরি, লাউররি। মীওইবনা হায়নবা ৱাফম ইকায়বা খঙদবগী হীদাক লৈতে। মীয়াম মীৎ-না শিংনা চেকশিনসি। ইশাবু ইশানা মমল লৈনা হিংবনা ঐগী শক্তম ওইনা হিংলমসি। মীনা শা ওল্লবা তাইবঙপানসিদা হিংবদা য়াম্না লুরবা মতমনি ঐখোয়গী। শেম্বীবা মপূগী চৈরাক চেন্দুনা হিংগদবা নত্তে, ফংগনি শোয়দনা।

মীদিয়াদা ঙাঙলিবা হৈ-শিংলবা 'এষ্ট্রোলোজর' কয়ানা থৈদোক থৈজিন তৌদুনা মীয়াম্বু থুমহৎলি। অহৈ অপা শারিবা ময়ামসিনা লানসি লোইশিনবীরবদি মীয়াম্না কয়াদা থাগৎকদবা। ঙক্কী শিংলি পোকখায়বমখৈ লাউরবসু লানদি লোইশিনবীরমদ্রে। ঐখোয়গীসি তাগদবা মীনা তাদ্রে, ৱাঙাঙলোইদি মতিক চানা লৈ। ৱারোইশিন পুরক্তুনা ৱারেপ লৌবীনবা মীওইদি লৈত্রি ইরমদমসিদা। লান লোইদনা এপ্রিল ১৯, ২০২৪দা লোক সভাগী ভোট পাঙথোক্কদৌরি। শেলনা নোং চুবগুম হৈথরকপা য়াবগী ফীভম উরক্লি। অতোপ্পা লৈবাক অমত্তদা চৎনদবা চৎন-কাঙলোন কয়া ঐখোয়গী লমদমসিদা ইলেক্সনবু কুম্মৈ ওন্থোক্লি। মীয়াম খন্থবীয়ু। ঈরাং লৈনা লৈনা পাঙথোকপা ইলেক্সন মখোল থোক্তনা পাঙথোক্কদবা মাল্লম্বা, হান্নদগী হেন্না লাংলি। মতম শাংনা পাউচে পারুদ্রবগী তুংদা ঙসিগী য়াইফরবা নুমিৎসিদা অইবীনা আর্টিকল অসি নুংশিজরবা ইরৈচাশিংগীদমক্তা কৎচরি। হুইয়েন লানপাউ পাবীরিবা খ্বাই পূম্নমক্তা অইবীনা কোক নোন্না খুরুমজরি। ●

# রামজান থাগী মরু ওইবা ৱাফম খরা

- জৈনুল্লবুদ্দিন নোংজাই ময়ূম-

***বিসমিল্লাহ হিররহমা - নিরহরহিম,*** ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপশিংগী এবাদৎ 'মপুবু নীংজবা' মখল মঙা লৈবগী মনুংদা য়াম্না মরু ওইবা এবাদৎ অমনি রামজানগী রোজা। যূম্বী মঙা মাগী মাগী মফম মতমদা লোইনা পাঙথোক্কে। এবাদৎ মখল অমত্তা, অমল মখল অমত্তা থাদোকপা য়াদে। ইস্লামগী যূম্বী মঙা - ইমান, নমাজ, রামজানগী রোজা হেনবা, জকাৎ পীথোকপা অমসুং হজ্জ তৌবনি।

রামজান অমদি মসিগী রোজা ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপশিংগী য়াম্না মরু ওইবা থা অমনি। রামজান থাগী মতিক মগুণ থাসিদা ফংগদবা নেকী শৱাব (মহয়) অতৈ কান্নবা ময়াম, অতোপ্পা থা ১১দা ফংবা ওইথোক্তে হায়রি। রোজা মপূং ফানা হেন্দুনা থাসিদা অল্লাহ মপূগা নকশিন্নগদবা, নুংশিবীগদবা গুনাহ পাপশিং কোকপীনবা এবাদৎ মখল খুদিংমক ঙম্লিবমখৈ তৌহৌগদবনি। মোমীন মুসলমানশিংগী ওইনদি রামজান থা ফংনা-ফংন, ঙম্না-ঙম্না, খঙনা-খঙনা, রোজা হেলহৌদ্রবদি অফবা এবাদৎশিং তৌদুনা লংজখিবা, গুনাহ পাপশিং কোকপীনবা জন্নৎ ফংনবা, দুজখক্কী মৈকোন্দগী কনবীনবা অল্লাহদা হায়জ-নীজহৌদ্রবদি য়াম্না লাইবক থীবা ওইগনি হায়রি।

রামজান থা অসি অল্লাহ মপূ অচৌবগী মায়কৈদগী ঐখোয়গীদমক্তা পীবিরকপা য়াম্না চাউবা খুদোল অমনি। খুদোলসি ঐখোয়না মফম মতম চানা ঙাইরগা লৌহৌরবদি শোয়দনা ফংগনি। মফম মতম চানা ঙাইদুনা লৌহৌদ্রবদি ফংলরোই। মরমসিনা নবী ইবুংঙো 'স্ব' না রামজান থাবু থা কয়া ৱাৎলিঙৈদগী খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরম্মী। ঙসিসু থাসিগী মতিক মগুন কান্নবা মুন্না খঙবা মীশিংনা রামজান থাবু খৌরাংনা ঙাইদুনা অফবা অমল এবাদৎ তৌনবা হোৎনরি/ঙাইনরি।

কনাগুম্বনা থাসিদা নফল ওইবা থবক অমা তৌরবদি অতৈ থাদা ফরজ অমা তৌবগী শৱাবকা মান্নগনি, ফরজ ওইবা থবক অমা তৌরগনা অতৈ থাশিংদা ফরজ হুম্ফুতরা তৌবগী শৱাবকা মান্নহনবীগনি। থাসিদা রোজা হেল্লিবা মীওই অমদা পিজ-পীথক তৌবগী শৱাবসু য়াম্না চাউই। মরমসিনা ইনাক কৈরাক খুনবশিংনা লায়রবশিংদা লুপা-পৈশা, পোৎ চৈনচিংবা মখল কয়াগী মতেং পীনরি। কনাগুম্বা অমনা রোজদরসিদা লৈজবা চান-থক্লবা খরনা ইফটার তৌহনবীরবদি রোজদার অদুনা ফংবা শৱাব 'মহয়' অদুদগী তাদনা পীবীগনি। 'মরমসিনা লৌমীশিংগী পোইনু থা লৈবগুম, মোমিন মুসলমানশিংগীসু রামজান থা অসি মপূং ফানা রোজা হেল্লবা, অতৈ অফবা অমল এবাদৎশিং মপূং ফানবা তৌদুনা নেকী মপূং ফানবা তানশিল্লবদি লৌমীশিংনা পোইনু থাদা মখোয়গী ফৌগী লৌবুক্তগী ফৌ চেঙ, মহৈ মরোং মরাং কাইনা লোকশিনবগুম্বনি। অদুগা রোজা মপূং ফানা হেলহৌদ্রবা, অতৈ নেকী শৱাব ফংগদবা এবাদৎসু য়াম্না তৌহৌদ্রবদি মরাইবক থীরবনি হায়রি।

রামজানগী রোজা হেনবা থোইনা অরুবা নত্তে। শুপ্নগী কাঙলোন খরা ইল্লগা চাবা থকপা, পোত্থাবগী মতমদা অহোংবা খরা লৈবতনি। রোজা হেল্লিঙৈদা তৌগদবা-তৌরোইদবা ৱাফম খরদি ঐখোয়না ঙাক্কনি। মসিদি অরুবা নত্তে। পোৎলম খুদিংমক মাগী মাগী মপূশিংনা শেমদোক-শাদোক্লগা কান্নবা লৌনৈ। সনা-লুপা, য়োৎ মপূ মপূনা মৈদা ঙাংনা ইল্লগা অচৌ অচৌবা নূঙথংশিংনা ওন-ওন্দুনা থোল্লগা পেৎথোক নৌথোকহল্লগা শেম্লিংবা/ওইহন্নীংবা মওংগী পোৎশকশিং শানৈ অদুগা কান্নবা লৌনৈ। হৌজিক্তি কান্নবা ফংলে। অদুনা মাগী মাগী মপূশিংনা পোৎলমশিংদু চেকশিন্না শীজিন্নৈ, লুনা চান্না থম্মী, মাঙখিদনবা হোৎনৈ।

রামজান থাদা হুরান চিন্থি, ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা-থকপা, নুপী অঙাংশিংদা নত্তবা লমচৎ চৎপা, চিন্থিবা, ওইদবা ঙাঙবা, মীগী ফত্তবা তৌবনচিংবা হান্নদগী ইস্লাম্না থিংবা থবক খুদিংমক থা অসিদনা হেন্না কন্না থিংই। খৎন-চৈনবা, লান তৌবনচিংবা থাসিদা তৌনদে। থাসি শান্তি অমদি ঈং-তপ্পা থানি। থা অসিনা লাকপদা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ, কাঙলূপ খুদিংমক্তা নুংঙাই য়াইফবা, শান্তি, চাওখৎপা, নুংশি চান্ননা হান্নদগী হেন্না নুংশিননা লৈমিন্নবা ওইরসনু। ঐখোয়গী অপাম্বা অৱাৎপশিং ফংহনবীনবা। মণিপুর অমদি মালেমগী লৈবাক খরদা থোক্লিবা অকীবগী মশক ওইরবা লানশিং লোইশিনখিনবা ঐখোয় পূন্না থম্মোয় শেংনা তাইবঙ মপূদা হায়জ নীজহৌরসি। *"নৈনজখিবা লাইরিক ফজাইলে রামজান"*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৭

১) **"চাণক্য নীতি"** (২০১৩) হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
২) **"মালেম অতিয়া"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?
৩) **"শাউনরগা মখোয় মশেল**
**মীচঙ খোল্লদুনা নাকপাক নাকপাক**
**লেপ্লে শীংনদুনা**
**লান তৌনৈ**
**খম থেংনা নুংশিনদে।"**
শৈরেং মতেক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেংনো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?
৪) **"থৱাইগী মনি সনামতুম"** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং হায়য়ু।
৫) **"অনীশুবা লাঞ্জাওগী বোম"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।